# কাশ্মির তম্পাক্তা লীৎশিল্লক্লবা পি ও কেদা টেরোরিষ্ট ৩০০ রোম ঙাইরি ঃ আর্মি



***শ্রীনগর /ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
কাশ্মির তম্পাক্তা লীৎশিল্লক্লবা লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা পাকিষ্টান-ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দা টেরোরিষ্ট ৩০০ রোম ঙাইদুনা লৈরি, চংশিল্লকপা অদু থিংনবা ইন্দিয়ান আর্মিনা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

লানগী মীৎয়েংদা মরুওইবা মফমদা কাশ্মিরদা লৈবা ১৫ শুবা কোর কম্মান্দ তৌরিবা লেফটনেন্ট জেনরেল বি এস রাজুনা কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দোরকপা মরকসিদা লাইচৎ অদুনা নাবা টেরোরিষ্টশিং চংশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নৎতবা মরন্না লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংদা পেট্রোলিং তৌবদা মতিকচানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মাগী ফোর্মেসনশিংদা খঙহনখ্রে।

হ্যুমিন্ট (হ্যুমেন্ট ইন্টিল্লিজেন্স) অমসুং টেকিন্ট (টেক্নিকেল ইন্টিল্লিজেন্স)না য়াওবা ইনপুটশিংগা লোয়ননা আর্মিগী ফিল্ড ইন্টিল্লিজেন্স য়ুনিটশিংনা মরুওইনা অথিংবা থমখ্রবা হিজবুল মুজাহিদীন অমসুং লাস্কর-ই-টাইবা (এল ই টি)না অয়াম্বা ওইবা টেরোরিষ্ট ৩০০ রোম লিৎশিল্লক্লবা ঙমখৈ অদুগী পরিংদা ঙাইদুনা লৈরি হায়বা তাকই হায়না শ্রীনগর অমসুং লৈবাক্কী কোনুংদগী রিপোর্টশিং পল্লদুনা ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

পাকিষ্টান আর্মিনা হৌখিবা চয়োল খরসিদা এল ও সি পরিংদা এটেক তৌফম ১৬ এক্টিভেট তৌখ্রে। অৱাং কাশ্মিরগী গুলমার্গ এরিয়াদা চংলকপা টেরোরিষ্টশিংনা নাওসেরা অমসুং সাম্বাগুম্বা খুদোঙথিরবা লম্মিৎ-তুমিৎকী ফিভমশিংদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং অদু য়াওনা ইন্দিয়াদা চংশিলক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

এল ও সি অদু লান্থোক্তুনা কাশ্মিরগী মনুংদা টেরোরিষ্টশিংনা য়ৌশিল্লক্তনবা কাউন্টর ইনফিলট্রেসন গ্রীদ (সি আই জি) মথৌ ফেঙনবা জেনরেল রাজুনা ফোর্মেসনশিং অদুগা চাং নাইনা মীফমশিং পাংথোরক্লি।

এপ্রিল ১দা টেরোরিষ্ট ৫গী খূৎপু অমা চংশিল্লকখিবা অৱাং কাশ্মিরগী কেরান সেক্টরগী অৱাংবা মফমশিং হায়বদি দুদনিয়া অমসুং অথামুপম, লীপা ভেলি ৱাংমদা টেরোরিষ্ট ময়াম পূশিন্দুনা লৈবা উরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

এপ্রিল ১দা চংশিন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু এপ্রিল ৫দা হাৎখ্রে। মদুগী নোংমৈ কাপ্নবা থৌদোক অদুদা আর্মিগী মীওই ৫সু শিখি।

কালেনগী অথংবদা মহৌশানা থবক কনখৎপা দুমাইল, সরদারি অমসুং ধাক্কি গুম্বা এটেক তৌরকফমশিংদসু হৌজিক টেরর গ্রুপশিং লৈবা উরে হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি। টেরোরিষ্টশিং লৈবা উবা অতৈ এটেক তৌরকফমশিং অদুগী মনুংদা শাদি, নীলম ভেল্লি, নাওসেরা অমসুং চাকোটি, খোজাবন্দি অমসুং হাজি পীর ফাওবা য়াওরি।

হায়রিবা কেম্পশিং অসি ২০১৬দা উরি আর্মি কেম্পতা চংশিন্নবা টেরোরিষ্টশিংনা শিজিন্নখিবনি।

সেপ্টেম্বর ১৮, ২০১৬দা হায়রিবা উরি কেম্প অদুদা টেরোরিষ্ট ৪ চংশিল্লক্তুনা লান্মী ১৯ হাৎখিবনি। অদুবু চাংশিল্লক্লিবা টেরোরিষ্ট অদু লোয়নমক কোন্না হাৎখি। থৌদোক অসিনা এল ও সি ৱাংমদা টেরর কেম্পশিংদা আর্মিগী স্পিসেল ফোর্সশিংনা তার্গেট তৌখিবা উরি সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং অদু চত্থহনখিবনি।

## সি আর পি এফ ১৫ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
দিল্লিদা মথৌ তৌহল্লিবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) পার্সোন্নেল ১৫ ঙসি কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে। মসি থারগা দিল্লিদা সি আর পি এফতা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইবা অপুনবা মশীং ২৪ শুরে।

গুজরাতকী অহমেদাবাদতা সি আর পি এফ ওফিসিয়েল অমসু ভাইরস অসি পোজিটিব ওইখ্রে। নৌনা কোভিদ-১৯ নারক্লিবা ১৫ অদুদি সব-ইস্পেক্টর ১, হেদ কনষ্টেবল ৪ য়াওরি। মখোয় অসি ইরাই নুমিৎতা কোভিদ-১৯না পার্সোন্নেল ৯ পোজিটিব ওইখিবা বটালিয়নদগীনি।

## মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা পুলিসমেন ১০০ হেল্লে, মুম্বাইদা ২ শিখ্রে

***মুম্বাই, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
কোরোনাভাইরস পান্দেমিকনা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী শাথিনা শোকপা ষ্টেট মহারাষ্ট্রদা পুলিসমেন ১০০ হেন্না লাইচৎ অদু নাখ্রে। মখোয়গী মনুংদা পুলিসমেন ২ মুম্বাইদা শিখ্রে হায়না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সিটি পুলিসনা ত্বিট তৌখি।

কোরোনাভাইরস থেংনবদা ঐখোয়গী পুলিসমেন অনী শিখ্রে তাবদা থম্মোয় শোকই। মখোয়গী ইমুং-মনুংশিং গভর্ণমেন্টকী পোলিসি মতুং ইন্না শৌগৎকনি হায়না ভিদিও কনফরেন্স অমদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা উদ্ধব থাক্করেনা হায়খি।

ষ্টেট অসিদা পূন্না ১০৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখি। মখোয়গী মতুংদা ৭ ফখ্রে।

নবি মুম্বাইদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা পুলিস ওফিসারগী নুপীসু অনাবা অদুনা মরম ওইদুনা শিখ্রে। মখোয়গী মচানুপীসু লাইচৎ অদু লৌনরকখ্রে।

মুম্বাইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকপা সিটিনি। সিটি অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না নাবা অনাবা ৫০০০ হেন্না লৈরে। ষ্টেট অসিগী ওইনা পূন্না মীওই ৭৬০০ হেন্না লাইচৎ অসিনা নাখ্রে, মসিগী মনুংদা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে।

পান্দেমিক অসিগী মনুংদা হোটস্পোটশিং ওইরকখ্রবা মুম্বাই অমসুং পুনেদা লোকদাউন অসি মতম হেন্না শাংদোক্লবা য়াই হায়না থাংজ নুমিৎতা মহারাষ্ট্র হেল্‌ঠ মিনিষ্টর রাজেশ তোপেনা ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

পুনেদা কোরোনাভাইরস নাবা ১,০০০ হেন্না লৈরে। থানেসু ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ হোটস্পোটশিংগী মনুংদা য়াওরি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না নারিবা অপুনবগী চাদা ৮০ এসিমটোমেটিক হায়বদি অনাবশিংনা লাইওং অমত্তা উৎতবা অদুনি হায়না চীফ মিনিষ্টর উদ্ধব থাক্করেনা ঙসি হায়খি।

## বেঙ্গলদা মকোক থোংবা মেদিকেল ওফিসার কোরোনাভাইরস নাবদগী শিখ্রে, মমতা বেনর্জিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

***কোলকটা, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চয়োল অমগী মমাঙদা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরকখ্রবা মতুং সেনিয়ার মেদিকেল ওফিসার অমা ঙসি অয়ুক কোলকটাদা শিখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গল হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ডো. বিপ্লব কান্তি দাসগুপ্তনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯দগী শিবা অহানবা ডোক্টরনি।

মশাগী চহী ৬০ শুরবা ডোক্টর অদু হৌখিবা চয়োলদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখি অমসুং কোলকটাদা হোস্পিটাল অমদা লায়েংখি। ডোক্টর অদুগী নুপীসু কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখি অমসুং হৌজিক লায়েং চত্থরি।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মেদিকেল ওফিসার অদুদা ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে অমসুং অনাবা মায়োক্লবা মীওইবা জাতিগীদমক মহাক্কী কত্থোকপা অদু ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা মতম পূম্বদা লৈহৌরগনি অমসুং ঐখোয়গী কোভিদ ৱারিয়রশিংবু অমুক্কা হেন্না অচেৎপা পান্দমগা লোয়ননা তমথিরবা ভাইরস অদু থেংনহল্লগনি হায়না মমতা বেনর্জিনা ত্বিট তৌখি।

ডোক্টর দাসগুপ্তগী অৱাবা তাহৌরবা ইমুংগী মীওইশিং অমসুং মরুপ-মপাংশিংদা ঐগী থম্মোয় শোক্লবা অৱাবা অদু ফোঙদোকচরি হায়না মমতা বেনর্জিনা ত্বিট তৌখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল ডোক্টরস’ ফোরমনসু ডোক্টর অদু লৈখিদবা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী লোনবী নুপী অদুসু থুনা ফগৎলকপা ওইসনু হায়বা আশা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা হেল্‌ঠ প্রোফেসনেলশিংগী পুন্সিদা খুদোঙথিনিংঙাই ওইহন্দুনা রিছোর্সশিং মতিকচানা ফংদ্রিবসিগী মতাংদসু ডোক্টরশিংগী ফোরম অদুনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না অকনবা টেষ্টিং হেন্না মথৌতাই, মরুওইনা হেল্‌ঠ কিয়ার প্রোভাইদর খুদিংমক, এসিমটোমেটিকশিং ফাওবা, টেষ্ট তৌবগী মথৌ তাই, মতিকচাবা অমসুং অফবা পি পি ই শিং লোয়ননা আই সি এম আর গাইদলাইন্স চেৎনা ঙাকপগী মথৌ তাই হায়না চেরোল অমদা ফোরম অদুনা হায়খি।

বেঙ্গলদা কোরোনাভাইরসনা মীওই ৬০০ হেন্না নাখ্রে অমসুং মদুগী মনুংদগী ১৮ শিখ্রে।

## অনাবা একুজ্যজ ফারুবা মতুং মধ্য প্রদেশ পুলিসমেন কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে

***জবলপুর, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
মধ্য প্রদেশকী জবলপুর দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস ওফিসিয়েল অমা থংনবা নরসিংহপুর দিষ্ট্রিক্টতগী নেসনেল সেক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ)গী মখাদা মরান শীবা অনাবা মীওই অমা ফানবা টিম অমগা লোয়ননা চৎলুবা মতুং কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে।

পুলিস ওফিসিয়েলশিংগী টিম অমনা কোভিদ-১৯ নাবা অমসুং জবলপুরগী নেটাজি সুভাস চন্দ্র বোস মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদগী নোংমগী মমাঙদা নাম্থোকখিবা মীওই অমা ফাখি।

জাবেদ খান হায়না কৌবা মীওই অদু অতোপ্পা ৩গা লোয়ননা এপ্রিল ৭তা ইন্দোরদা কনষ্টেবল ১ খূৎ থাখিবগীদমক এন এস এগী মখাদা মরান শীখি অমসুং ফাখি।

জাবেদ খান য়াওনা একুজ্যজ ৩ কোন্না কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখি। জাবেদ খানবু জবলপুরগী নেটাজি সুভাস চন্দ্র বোস মেদিকেল কলেজদা এপ্রিল ১১দা লায়েংখি। মফম অদুদা মহাক এপ্রিল ১৯দা নাম্থোক্তুনা চেনখি।

মহাক্না জপলপুরগী মপান্দগী ট্রক অমদা চেনখি অমসুং নরসিংহপুরদা থুংখি। মফম অদুদগী মহাক্না মোটোরসাইকল অমদা ইন্দোরদা চেন্নবা হোৎনরমখি অদুবু মহাক্কী নাম্থোক্লবা থৌরাং অদু পুলিসনা থুগাইখি অমসুং চেকপোষ্ট অমদা মহাকপু ফাখি।

একুজ্যজ অদুগা শন্নখিবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং থুনমক ক্বারেন্টিন তৌখি অমসুং মদুগী মনুংদগী ২০১৭ বেটচকী আই পি এস ওফিসার অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখি অদুগা অতৈনা নেগেটিব ওইখি হায়না জবলপুর কল্লেক্টর ভারত যাদবনা হায়খি।

## দি ঐচ এফ এল প্রোমোটরশিং সি বি আই কষ্টদিদা লৈখ্রে



***মুম্বাই, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না সাতারাদা দি ঐচ এফ এল প্রোমোটরশিং কপিল ৱাধৱন অমসুং মনাওনুপা ধিরাজ ৱাধৱনগী কষ্টদি লৌখ্রে হায়না ঙসি মহারাষ্ট্র হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখনা ফোঙদোকখ্রে।

সাতারা দিষ্ট্রিক্টতা মফমদুগী পুলিসনা সেন্ট্রেল প্রোব এজেন্সি অদুদা তেংবাং পূন্নমক পীখি। প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা শেন-থুম লান্না শিজিন্নবগী মরান শীরিবা ৱাধৱানশিং ফেব্রুৱারি ২১দগী বেলদা লৈরকখিবনি। লোকদাউনগী কাঙলোনশিং থুগাইদুনা মেট্রোপোলিস অসিদগী মহাবলেশ্বরদা মোটোরকেদ অমদা চৎলিঙৌদা মখোয় ফাখিবনি।

সাতারাদা মখোয়গী ক্বারেন্টিন মতম লোইরবা তুংদা য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা মখোয় অনিগী কষ্টদি লৌনবা মিষ্টর দেসমুখনা সি বি আইদা হান্না হায়জখিবনি। ৱাধৱনশিং অদুবু লোকদাউন মতম অদুদা চৎনবগী অয়াবা পীখি হায়বা সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমগী মায়োক্তা রিপোর্ট অমা ঙসি নৎত্রগা হয়েঙ থাগৎলগনি হায়নসু মিনিষ্টর অদুনা খঙহনখি।

আই পি এস ওফিসার অমা ওইরিবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) অমিতাভ গুপ্তবু লোকদাউন মতমগী মনুংদা অনী অদুবু চৎনবগী মেদিকেল ইমর্জেন্সি পর্মিসন লেটর অমা পীখি হায়বগী মরান শীরি।

থৌদোক অদু খংনরকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি গুপ্তগী চেরোল অদু থিজিন্নবা অমসুং মহাকপু কম্পলসরি লিব পিনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি মনোজ শাওনিকতা ওর্দর তৌখিবনি।

## কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতুংদা গভর্ণমেন্টনা মপান লৈবাক্তগী ইন্দিয়ানশিং পুরক্লবা থৌরাং তৌরি

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রি, এয়ার ইন্দিয়া, ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং মপান লৈবাক্তা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিশিংগা খূৎশন্নরগা য়ুমদা হল্লক্লবা খল্লিবা মপান লৈবাক্তা লৈবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিং পুরক্লবগী থৌরাং অমা হৌখ্রে।

খন্নবশিং হৌখ্রে, ইন্দিয়ানশিং অদু কোরোনাভাইরস শন্দোকপা লাক্লিনবা লৈবাক্কী লোকদাউন লৌথোকখ্রবা মতুং খক্তদা পুরক্কনি হায়না গভর্ণমেন্ট লিখুনশিংনা হায়খি।

লৌথোক্লক্কদৌরিবশিং অদু স্পিসিয়েল ফ্লাইটশিং নৎত্রগা অমুক হন্না পাইবা হৌরক্লবদি রিগুলর ফ্লাইটশিংগী খূৎথাংদা চত্থগনি অমসুং লোকদাউনগী ফিভম মখা পোন্না ষ্টেটকা-ষ্টেটকসু খেন্নগনি হায়না লিখুনশিং অদুনা মখা তাখি।

ইন্দিয়ান লিশিং কয়া, মরুওইনা গল্ফতা মপান লৈবাক্তা পন্দুনা লৈরি। ইন্দিয়ান নেসনেলশিং অদুবু লৌরনবা গল্ফ লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদা দিপ্লোমেটিককী তকশিনবা হেনগৎলকখ্রে।

মার্চ ২৪দগী হৌনা মখোয়দা পীরিবা হোস্পিটেলিটি অদুগী খুদোঙচাবা লৌদনবা হায়রকখ্রে। ইন্দিয়াগী মনুংদসু মরুওইনা কেরেলাদগী রিজন অদুদা থবক তৌরিবশিং হল্লক্লবা পোলিটিকেল দিমান্দশিং তৌরকখ্রে।

ইন্দিয়াদা হল্লকপা পাম্বা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং অদু রেজিষ্টার তৌনবা মপান লৈবক্তা লৈবা ইন্দিয়ান মিসনশিং অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগা লোয়ননা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কন্না হোৎনরি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী ইন্দিয়ান সিটিজেনশিং অদু লৌথোক্লক্কদনি অদুবু ফ্লাইট টিকেটশিং অদুগী মমলদি মখোয়না পীগদবনি। লোক দাউন চত্থখিবদগী দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট পূন্নমক লেপখ্রে।

লোকদাউন চত্থবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙ মপান লৈবক্তা থোকপা য়াদনা লৈরিবা সিটিজেন কয়ামরুম ইন্দিয়াদা পুরকখ্রে। ইন্দিয়ানা কোভিদ -১৯ শন্দোকপা থিংনবা থা ১ হেন্না লোকদাউন তৌরক্লি। য়াম্না লৌনগনবা কোভিদ-১৯গী অনাবা মশীং হেনগৎল্লকখিবদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোকদাউন অদু মে ৩ ফাওবা শাংদোকখিবনি।

# কিম জোং উনগী হকচাংগী তোকঙাশিংগী মরক্তা মাগী ট্রেন রিসোর্ট টাউনদা উখ্রে

***ৱাসিংটন / সিওল, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
কিম জোং উনগী হকচাং অমসুং মহাক্কী লৈফমগী মতাংদা মথক-মখা উন্নবা পাউ কয়াগী মরক্তা য়ু এসতা লৈবা নোর্থ কোরিয়ন মোনিটরিং প্রোজেক্ট অমনা রিভ্যু তৌখিবা সেটিলাইট ইমেজশিংগী মতুং ইন্না লুচিংবা অদুগী ওইরম্বা য়াবা স্পিসিয়েল ট্রেন অমা লৈবাক অসিগী রিসোর্ট টাউন অমদা চয়োলসিদা উখ্রে।



ট্রেন অদু এপ্রিল ২১ অমসুং এপ্রিল ২৩দা ৱোনসানদা লিদরসিপ ষ্টেসন অদুদা ট্রেন অদু খামখি হায়না মোনিটরিং প্রোজেক্ট, ৩৮ নোর্থনা মখোয়গী রিপোর্টতা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা হায়খি।

হায়রিবা ষ্টেসন অদু কিমগী ইমুং মনুংনা শিজিন্নবগী রিজার্ব তৌবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি। মদু কিম জোংগী ট্রেন ওইরম্বা য়াই হয়না গ্রুপ অদুনা হায়রবসু রোইটর্সনা মদু মরনাই ওইনা লেপ্পা ৱোনসানদা মহাক লৈব্রা হায়বদু তোঙান্না লেপ্পা ঙমদ্রি।

ট্রেন অদু লৈবনা নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা অদুগী প্রমান নৎতে, নৎত্রগা মাগী হকচাংগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা তাক্তে অদুবু কিমনা লৈবাক অসিগী নোংপোক সমুদ্র তোর্ব্বনদা ইলাইট এরিয়া অমদা লৈ হায়বগী পাউশিংদসু হেন্না মরুওইবা পিদে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী হকচাংগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোক্লরকখিবশিং অসি এপ্রিল ১৫দা মহাক্কী মপুবোক অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ফাউন্দর কিম ইল সুংগী মপোক নুমিৎকী থৌরমদা মহাক য়াওখিদবা অদুদগী অহানবা হৌরকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী মনুংদগী পাউ পীরকপা হায়বসি ঈ-পাউগী মতাংদা চেৎনা কন্ট্রোল তৌবা মরমনা শাথিনা খুদোঙথি। নোর্থ কোরিয়া মেদিয়ানা কিমগী লৈফমগী মতাংদা মখা তানা নুমিৎ কয়ানি তুমিন্না লৈশিনখিবা অদুনা মহাক্কী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা হেনগৎহনখি হায়না ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

য়ু এস ইন্টিল্লিজেন্সনা মতম কুইনদগী ‘ব্লেক বোক্স’ অমা ওইনা লৌরকখিবা লৈবাক অমদগী ঈ-পাউ হায়বসি য়াম্না তাঙনা ফংই। ফিভম অসিগী মতাংদা হংলকপা ৱাহংশিং য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ঙরাং খুদক্তা পাউখুম পীখিদে।

নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা রিপোর্ট তৌবা, সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা লৈবা ৱেবসাইট- দেলি এন কে না নোর্থ কোরিয়া কোনুং পিয়োংয়াংগী অৱাং হিয়াংসানগী রিসোর্ট কাউন্টি অদুদা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট চত্থখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়া মনুংগী মমিং ফোঙদোক্তবা লিখুন অমনা হায়খিবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

## তেংবাংনবগী মতাংদা দোনাল্ড ট্রম্প, ৱ্লাদিমির পুটিননা তাঙনা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট থোকখ্রে

***ৱাসিংটন, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং মাগী রসিয়ান ফম্মান্নবা ৱ্লাদিমির পুটিননা নাজি জর্মনিবু মায়থিবা পীনবা য়ু এস অমসুং সোভিয়েট ট্রুপশিং মরী লৈনখিবা ১৯৪৫কী মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও অমবু মখোয়গী লৈবাকশিংনা মতৌ করন্না তেংবাংনবা ঙম্বগে হায়বগী খুদম অমা ওইনা থাংজ নুমিৎতা পাংথোক্তুনা তাঙলবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখ্রে।



ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং ট্রম্পনা থোকখিবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অদু আর্মস কন্ট্রেল অমসুং যুক্রেন অমসুং সিরিয়াদা রসিয়ানা খূৎ থিংজিনবদগী হৌরগা নোবেল কোরোনাভাইরসকী মতাংদা রসিয়ানা ঈ-পাউ লান্না শন্দোকই অমসুং য়ু এস ইলেক্সন কেম্পেনশিংদা খূৎ থিংজিল্লি হায়না য়ু এসতা মরান শীবশিং- হিরম কয়ামুক্তা য়ু এসকী রসিয়াগা অনীগী মরী ফৎত্রিঙৈ মরক্তনি।

১৯৪৫কী এপ্রিল ২৫দা নোংপোক লোমদগী চংশিল্লকপা সোভিয়েট লান্মীশিংগা নোংচুপ লোমদগী লাকপা আমেরিকান ট্রুপশিংগা জর্মনিগী এলবে তুরেল মথক্তা শাবা থোং অমদা উন্নখিবা অদুগী চহীগী থৌরমদা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অসিনা নাজি রেজিম অদু শাথিনা মায়থিবা পীখিবা অদু নিংশিংই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এলবেগী স্পিরিট অদু মৈথোক অনী অসিনা করম্না খেন্নবশিং ইম্থোক্তুনা থম্বা ঙম্বগে, হেন্না চাওবা মরম অমগীদমক থাজবা শাগৎপা অমসুং তোংবাংনবা করম্না ঙমখিবগে হায়বগী খুদম অমনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এলবে রিভর ব্রিজ লিঙ্ক-অপ অদু নিংশিংদুনা ইকোন-কোনবা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদু ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসননা মোস্কোগা ফগৎপা মরী শিং লৈননবা ২০১০দা থোকখিবনি।

চহীগী থৌরম অদু য়াওনবা য়ু এস প্রসিদেন্টনা মোস্কোদা চৎনবা আশা তৌরমখিবনি। মহাক্না পুটিনবু য়াখি অমসুং মোস্কোগা তেংবাংনবা পামখি অমসুং ২০১৬ য়ু এস প্রসিদেন্ট মীখলদা রসিয়ানা খূৎ থিংজিল্লি হায়বদু রসিয়াগী লুচিংবা অদুনা য়ারোই হায়না মহাক্না থাজখি।

## মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস লাইচৎতগী শিবা মীওই মশীং লাক্ষ ২ হেনখ্রে

***জিনেভা (স্বিটজরলেন্দ), এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাকশন্না শন্দোরকপদগী মালেমগী ওইনা লাইচৎ অসি নাবদগী শিখিবা মীগী মশীং লাক্ষ ২ হেল্লকখিবগা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা কোরোনা ভাইরসতগী অনাবা ফরকখিবা মীওই অমা মদু অমুক হন্না নারকপদগী ঙাকথোকপা ঙমদবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

শ্রীলঙ্কাদগী বেলজিয়মদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ফাওবগী গভর্ণমেন্টশিংনা মচেৎ খরা ওইনা লোকদাউন হাংদোক্লবগী মায়কৈদা চংশিনবা হৌরবসু কোভিদ-১৯ পান্দেমিক অসিনা মীওইবা খুন্নাইগী তঙ্খায় অমরোম হৌজিকসু লোকদাউন নৎত্রগা কনফাইনমেন মখন খরগী মখাদা লৈরি।

মালেমগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯ নাবা অপুনবা মশীং ২৯,৪৩,৮৯৫ য়ৌরে। এপ্রিল ১০গী মতুংদগী শরুক ২ হেনগৎতুনা শিবগী মশীং ২,০৩,৯২২ য়ৌখ্রে। খ্বাইদগী থীনা শোকপা রিজন য়ুরোপতা ১,২২,১৭১ শিখ্রে। মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীওই ৫৪,৩৫৭ শিখ্রে। মসিগী মথংদা ইটালি ২৬,৩৮৪, স্পেন ২২,৯০২, ফ্রান্স ২২,৬১৪ অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদম ২০,৩১৯ শিখ্রে। ইরানদসু মালেমগী লাইচৎ অসিনা ৯০,৪৮১ নাখি অমসুং মীওই ৫,৭১০ শিখি।

## রসিয়াদা অনাবা ৭৪৭ শিখ্রে

***মোস্কো, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ***
রসিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪দা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মীওই ৬,৩১৬ নাখ্রে, মসি থারগা অনাবগী মশীং পূন্না ৮০,৯৪৯ য়ৌখ্রে হায়না নেসনেল কোরোনাভাইরস রেস্পোন্স সেন্টরনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী রিজন ৮৩দা হৌখিবা পুং ২৪দা কোভিদ-১৯ নাবা ৬,৩৬১ রেজিষ্টার তৌখি, মসিগী মনুংদগী চাদা ৪৫.৯ এক্টিব ওইখি। মখোয় অদু ক্লিনিকেল সিমটোমশিং উৎখিদে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা সেন্টর অদুনা হায়খি।

লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯দা পূন্না শিখিবা মীগী মশীং ৬৬ হেনগৎতুনা ৭৪৭ য়ৌখ্রে। অনাবা ৬,৭৬৭ ফখ্রে।

**সনা-সুদোকু – ৪৪৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 6 | 8 | 2 | 9 | 1 | 4 | 7 |
| 1 | 9 | 8 | 4 | 5 | 7 | 6 | 3 | 2 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 3 | 1 | 8 | 5 | 9 |
| 2 | 3 | 7 | 1 | 8 | 4 | 9 | 6 | 5 |
| 8 | 4 | 9 | 7 | 6 | 5 | 2 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 5 | 3 | 9 | 2 | 4 | 7 | 8 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 1 | 6 | 5 | 9 | 4 |
| 5 | 2 | 1 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 6 |
| 9 | 6 | 4 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-449**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | | | | 4 | 2 | | |
| | | 2 | 8 | 3 | | 1 | | |
| 3 | 5 | | | | | | 8 | 7 |
| 6 | 4 | | | 2 | | | | 8 |
| 2 | | | | | 5 | 3 | 1 | |
| | 1 | 3 | 4 | | | | | 2 |
| 5 | | 1 | 2 | | | | 3 | |
| | 3 | | | 1 | | 8 | | |
| | | 8 | | | 3 | 4 | | |

## GAS TODAY

**Ericha Indane**
Booking : 16/02/20
Valid : 02/02/20
Stk. : 306
Home Delivery Only
Contact No.- 03852434026
Working Hour
Time : 08.00 to 12 Noon

**G B D Indane**
Booking : 14/01/20
Valid : 25/12/19
Stk. : 370
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary
7629947179
Booking No
7629947187
Time : 07.30 to 12 Noon

**Canchi Indane**
Booking : 12/02/20
Valid : 04/02/20
Home Delivery Contact No.-
Kwakeithal- 9774615530
Naorem Leikai- 7085732827
Time : 08.00 to 12 Noon

**Leibaklei Gas, Kakching**
Home Delivery Only
Booking : 08/01/20
Valid : 12/12/19
Stk : 306
Contact No.-9862836403/ 8415050488/ 9366930417

**Heirok Indane**
Home Delivery Only
Booking : 25/02/20
Valid : 05/02/20
Contact No.- 9436274203
Booking No.- 6239457466
Time : 08.00 to 12 Noon

**K & K Indane**
Home Delivery Only
Booking : 11/02/20
Valid : 04/02/20
Contact No.- 9366474013/ 8119967266/ 7005037487
Booking No.- 879426533/ 8729879017
Time : 10.00 to 01.00 pm

**Khumbong Gas Indane Ningthoukhong**
Booking : 19/01/20
Valid : 24/12/19
Home Delivery Contact No.-
7085412234/ 7085411559
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**J. Rongmei Indane**
Booking : 16/01/20
Valid : 10/01/20
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.
Summit Blue card First

**Hiyangthang Indane**
Booking : 02/02/20
Sl. No. : 1 to 130
Home Delivery Contact No.-
7085557686/ 6009260971/ 9366502930/ 6381538861

**Khumbong Indane**
Home Delivery Only
Booking : 14/02/20
Contact No.-
7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Home Delivery Only
Booking : 12/02/20
Valid : 26/01/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Contact No.-8730954041/ 7005728461/ 8259969582